# কূগী মরমদা থিজিনবদা টর্কিনা মীওই ১৬,০০০ ফাগৎখ্রে



ইস্তানবুল, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সী) ঃ

হৌখিবা থাগী মায় পাকখিদ্রবা কূ এটেম্প অদুগা মরী লৈননা মীওই ১৬,০০০ হৌনবী মতুং ইন্না ফাগৎখ্রে অমসুং ফাজিন্দুনা থমখ্রে লোয়ননা অতোপ্পা দিটেনি ৬০০০ না কন্না প্রোসেস তৌরি হায়না টর্কিগী জষ্টিস মিনিষ্টর জকির বোজদাগনা লৈবাক-পোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

অতোপ্পা মীওই ৭,৬৬৮ হৌজিক ইনভেষ্টিগেসন চত্থরি তৌইগুম্বসু হৌজিকমক্কী ওইনদি মখোয় ফাজিল্লগা থমদে হায়না ষ্টেটনা রন তৌবা অনাদোলু এজেন্সিনা নৌবা ইন্টরভিয়ু অমদা মহাক্না হায়খি। মহাক্কী ইন্টরভিয়ু অদু টর্কিশ টেলিভিজন চেন্নেলশিংদা লাইভ ওইনা শন্দোকখি।

টর্কিশ মিলিটরিগী ফেক্সন অমনা প্রসিদেন্ট টায়ীপ ইর্দোগন অমসুং গভর্ণমেন্টপু চিংথুনবা হোৎনরদুনা হৌখিবা জুলাই ১৫ দা পাঙথোকখিবা ফেল ওইখিবা কূ অদুগা মরী লৈনৈ হায়বগী মরালশিংদা টর্কিনা জুদিস্যারি, মিলিটরি, পুলিস, পব্লিক সার্ভিস অমসুং অতৈদা থবক তৌবা মীওই লিশিং কয়া ফাজিনখ্রে, থবক থদৎখ্রে নৎত্রগা সসপেন্দ তৌখ্রে।

মিলিটরিগী ফেক্সন অমনা ফাইটর জেটশিং, মিলিটরি হেলিকোপ্টরশিং অমসুং টেঙ্কশিং পাইশিন্দুনা নম্ফুদ গভর্ণমেন্ট চিংথুনবা হোৎনবদা সিভিলিয়নশিংদা কাপশিনখি। রেবেল মিলিটরি কাঙবুগী এক্সন অদুদা মীওই ২৪০ হেন্না শিখি অমসুং ২২০০ রোম শোকখি।

কূ অদুগী মতুংদা ফাগৎখিবা নৎত্রগা মফম লৌথোকখিবশিংগী মনুংদা লান্‌মীশিং, পুলিস, জজশিং, জর্নেলিষ্টশিং, মেদিকশিং অমসুং সিভিল সার্ভেন্টশিং য়াওখিবগা লোয়ননা নোংচুপলোমগী মীচংশিংনা ইদোর্গননা চত্থরিবা থৌওংশিং অদু মহাক্কী পৱারগী খুৎপায় চেৎশিন্নবখক্কীনি হায়বগী চিংনবা ফোঙদোক্লখি।

ফেল ওইখিবা কূ এটেম্প অদু মরন্নাইগী ৱারেপনা য়ু এসতা লোই চত্তুনা লৈরিবা ফেতুলা গুলেনগী খোঙলোয়শিংগী খুৎনি হায়না টর্কিনা মরাল শিরি। সিক্যুরিটি ফোর্সেস, জুদিসিএরি অমসুং সিভিল সার্ভিসতা লৈবা গুলেনগী খোঙলোয়শিংনা পৱার মুন্নবগী খুজিন থৌরাং অদু চত্থখিবনি হায়না মরাল শিবা লৈদুনসু ক্লারিক অসিনদি অদুগুম্বা খুজিল থৌরাংগা মহাক্না মরী লৈনৈ হায়বা য়াদ্রি।

টর্কিশ ওথোরিটিশিংনা হায়রি, কূ এটেম্প অদু চত্থদ্রিঙৈ চহী কয়াগী মমাঙদা গুলেনগী খোঙলোয়শিংনা অমগা অমগা পাউ ফাওননবা স্মার্টফোনদা মেসেজ থানবগী এপ্লিকেসন কয়া শিজিন্নখি অমসুং প্রোগ্রাম অদুবু খঙলকখিবা টর্কিগী নেসনেল ইন্টলিজেন্সনা গ্রুপ অদুগী মীওই লিশিং কয়া খোঙ্গুল লিবা ঙমখি।

টর্কিগী সিনিয়র ওফিসল অমনা হায়খি, বাই লোক কৌবা মীনা ইখঙ খঙনদবা স্মার্টফোন্দা মেসেজ থানবগী এপ্লিকেসন অমা মখোয়না খঙলকখিবগা লোয়ননা গুলেনগী নেটৱার্কতা য়াওবা য়ামদ্রবদা ওপরেটিভ ৫৬,০০০ গী মশক মমিংশিং খঙলে।

গ্রুপ অদুনা এপ অদু কুমজা ২০১৪ দগী শিজিন্নবা হৌখিবনি। চহী অসিদা টর্কিশ ইন্টলিজেন্সনা মখোয়গী নেটৱার্ক মেপ্পিং তৌবা ঙমখি। গ্রুপ অদুনা ইগল কৌবা অতোপ্পা এম অমসু শিজিন্নখি হায়রি।

# য়েমেনগী কেপিটেলদা সাউদিনা লুচিংদুনা এয়রষ্ট্রাইকশিং চত্থবা হৌখ্রে



কাইরো, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সী) ঃ

থা মঙাগী মনুংদা ইহান হানবা ওইনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা সাউদিনা লুচিংবা মিলিটরি কোলিসন্না য়েমেনগী কেপিটেল সানাদা এরয় ষ্ট্রাইকশিং চত্থখ্রে।

কনফ্লিক্ট অদুবু লোইশিন্নবা চত্থখিবা য়ু এননা শৌগৎপা পিছ টোক তৌখিবা চয়োলগী মমৈদা লোইশিনখিবা মতুংদা কোলিসন্না এয়র ষ্ট্রাইকশিং অদু চত্থখিবনি।

সাউদিনা লুচিংবা কোলিসন্না ইরানগা মীচং ওইনবা হৌথিশিংবু সানাদগী তকথোকখিনবা হোৎরিবা প্রসিদেন্ট অবদ-রববু মনসৌর হাদিগী লোইদা লৈরিবা গভর্ণমেন্টদা লোয়েল ওইবা য়েমেনগী ফোর্সশিংবু শৌগৎলি।

কোলিসননা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অথেংবদগী সানা ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টতা ফ্লাইটশিং পাইশিনবসু পুং ৭২ চুপ্পা অথিংবা থমখ্রে হায়না এয়রপোর্টকী ওফিসল অমসুং এইদ এজেন্সিগী ছোর্সশিংনা ফোঙদোকখি। কোলিসনগী স্পোক্সমেন অমনা এয়রপোর্ট থিংজিনখিবগী মতাংদা কম্মেন্ট পীনবা রোইটর্জনা হায়জখিবদা কোলিসননা খুদক্কী ওইনা রেসপোন্দ তৌখিদে।

এয়র ষ্ট্রাইকশিং অদুনা সানাদা লৈবা প্রসিদেন্সিএল কম্পাউন্দ অমসুং মিলিটরি বেজ লোয়ননা এয়রপোর্ট মনাক্কী অরহব এরিয়াদা লৈবা রিপব্লিকান গার্দকী বেজ অমদা হিট তৌখি হায়না মফমদুগী মীশিংনা ফোঙদোকখি। প্রো-গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা অৱাং অমসুং নোংপোকথংবা মায়কৈদগী সিটি অদুদা চঙশিন্নবা হোৎনরি।

নোংমাইজিং নুমিৎকী অহিংদা সাউদিনা লুচিংবা কোলিসননা সানাগী মপান্দা এয়র ষ্ট্রাইক চত্থবদা মীচম মাপন শিখ্রে।খুৎলায় য়াওবা হৌথি মুভমেন টনা হাদিগী এদমিনিষ্ট্রেসনবু নম্ফুদা সাউদি অরাবিয়াদা লোই ওইনা চঙহনখ্রবা মতুং হৌখিবা ২০১৫ গী মার্চতা সাউদি অরাবিয়া অমসুং মসিগী গল্ফতা লৈবা আরব মীচংশিংনা য়েমেনগী সিভিল ৱারদা য়াওশিনখি।

কোলিসননা হৌথিশিং অমসুং মখোয়গী য়েমেনগী আর্মিদা য়াওবা মীচংশিংগী মথক্তা এয়র ষ্ট্রাইক লিশিং কয়া চত্থখ্রে । হৌথিশিংনা য়েমেনি সাউদি বোর্দরদা য়ারিবমখৈ লাল শোক্লদবগী ৱাফমদা ইনফোর্মেল এগ্রীমেন্ট অমা পুরকখিবা মতুং মার্চ থাদা কোলিসননা সানাদা এয়র ষ্ট্রাইক চত্থবা লেপখি। হৌথিশিংগী মফমদা খুৎশু-খুৎলায়শিং য়ৌহন্দনবগী পান্দমদা কোলিসননা মার্চ থাদগী সানা এয়রপোর্টপু সিভিলিয়ন অমসুং হ্যুমেনিটরিয়নগী তেংবাঙ ফ্লাইটশিংদমক ওপরেট তৌহনখি।

# থাইলেন্দগী জন্টা লিদরনা কুমজা ২০১৭ কী নভেম্বরদা মীখল পাঙথোক্কনি হায়খ্রে

বেঙ্কোক, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সী) ঃ

থাইলেন্দগী মথংগী গভর্ণমেন্ট মিলিটরিনা শোয়দনা কন্ট্রোল তৌহনগদবা নৌনা এপ্রুভ তৌবা কন্সটিট্যুসন অমগী মখাদা কুমজা ২০১৭ কী নভেম্বর থাদা মহাক্না মীখল পাঙথোক্কনি হায়না থাইলেন্দগী জন্টা লিদরনা ঙসি হায়খ্রে।

কুমজা ২০১৪ দা আর্মিগী চীফ ওইনা কূ অমা পাঙথোক্তুনা লৈবাক্তুদা পৱার পায়খিবা প্রাইম মিনিষ্টর প্রয়ুথ চন-ওচানা মমাঙদা ফোঙদোকখিবদা কুমজা ২০১৭ তা মহাক্না মীখল পাঙথোক্কনি হায়খি। তৌইগুম্বসুং করম্বা থাদা পাঙথোক্কদগে হায়বদুদি পনখিদে। মহাক্না শুপ্পগী দিমোক্রেসি পুরক্লবগী রোডমেপ অমা লৈরে, মদুগী মখাদা সিভিলিয়ন গভর্ণমেন্টদা পৱার হল্লক্কনি হায়খি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা মহাক্না মীখলদু কুমজা ২০১৮ ফাওবা য়ৈথোক্কনি হায়বা পাউমী অমনা হৌদোরকখিবা ৱাফম অমা য়াখিদে।

‘রোডমেপকী সেদ্যুল অদুদা ঐখোয়না ঙসি অসি অহানবা নুমিৎনি হায়না মশিং পাসি। করিগুম্বা নহাক্না রোডমেপ অদুবু ঙাকপা তারবদি প্রোসেস খুদিংমক মপুং ফারগা কুমজা ২০১৭ কী নভেম্বরদা মদুনা ঐখোয়বু মীখল পাঙথোকপা য়াহনগনি। মরম অদুনা করিগীদমক্তা কুমজা ২০১৮ দা মীখল পাঙথোক্কদৌরিবনো?’ হায়না মহাক্না হায়খি।

প্রয়ুথনা ৱাফম অসি নৌনা পাঙথোকপা রেফরেন্দম অমদা মপুং ফাবা মেজোরিটিনা অনৌবা কন্সটিট্যুসন শৌগৎখিবা মতুং নুমিৎ নিনি লৈরগা ফোঙদোরকখিবনি। ক্রিটিকশিংনা হায়রি মদুদি চার্টর অদু মিলিটরিনা মখা তানা কন্ট্রোল তৌবা য়ানবগী মওংদা শেমই মরমদি মদুনা মীখলদা মায় পাক্লকপা নত্তবা প্রাইম মিনিষ্টর অমা খনবা ঙম্বা সিনেট অমা এপোইন্ট তৌবা য়াহল্লি। মসিদা নত্তনা মরু ওইবা গভর্নিং বোদিশিং, কোর্টশিং অমসুং এজেন্সিশিংসু মিলিটরিগী ইথিল মখাদা লৈগনি।

জন্টা অদুনা মীখল মমাঙদা অনৌবা কন্সটিট্যুসনগী মরমদা খন্ন-নৈনবা অয়াম্বা থিংজিনখ্রে। মসি অনৌবা কন্সটিট্যুসনবু য়ানিংদবশিংনা অতৈদা মখোয়গী মোটশিং ফোঙদোকহন্দনবগীদমক্তনি। রেফরেন্দম অদুদা মীশিংগী চাদা ৫৪ না শরুক য়াখি হ৯ায়বদি ইলেক্টরেট অপুম্বগী শরুক অহুম থোকপগী অমখক্লা কন্সটিট্যুসন অদুবু শৌগৎখি। মসি চাদা ৬৭ কী মেজোরিটিনা চার্টর অদুবু এপ্রুভ তৌখি হায়না পাবদনি।

# পাকিষ্টান্না টেররিজম থেংনবগা মরী লৈননা পীবা য়ু এসকী ৱারোল শেরান্নে : পাক ফোরন ওফিস

ইস্লামাবাদ, ওগষ্ট ০৯ ঃ

টেররিজম থেংনবদা পাকিষ্টান্না খঙে দাক খঞ্জিন তৌদুনা থবক তৌই হায়বা য়ু এসকী দেপ্যুটি স্পোক্সপার্সনগী ৱাফমদা ইস্লামাবাদনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।



পাকিষ্টানগী ফোরেন মিনিষ্টরগী স্পোক্সপার্সন নাফীজ জকারিয়ানা য়ু এসকী দেপ্যুটি স্পোক্সপার্সনগী ৱারোল অদুদা রিয়েক্ট তৌরদুনা হায়খ্রে মদুদি, য়ু এসকী দেপ্যুটি স্পোক্সপার্সনগী ৱারোল অদু মখোয়না হান্না ফোঙদোকখিবা ৱাফমগা তায়োন্নে অমসুং পাকিষ্টানগী নেসনল সিক্যুরিটিগী তঙাইফদবশিং য়েংদুনা পাকিষ্টান্না ফেজ নাইনা টেররিজম থেংননবা লৌখৎলিবা মশক থোকপা খোঙথাংশিংবু করিমত্তা খঙ-উদবা মাল্লি।

পাকিষ্টানগী ফোরেন ওফিসকী স্পোক্সপার্সনগী ৱারোল অসি য়ু এসকী দেপ্যুটি স্পোক্সপার্সননা টেররিজম থেংনবা মতমদা পাকিষ্টান্না অফবা নৎত্রগা ফৎতবা টেররিষ্টশিং হায়না তোঙান তোঙাননা খন্দোক্লগা হেন্দল তৌই হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফমদা রিয়েক্ট তৌরদুনা হায়খিবনি।

য়ু এসকী দেপ্যুটি স্পোক্সপার্সন মার্ক টোনরগী ৱারোল অদু ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা সার্ক সম্মিট লোইরগা ন্যু দিল্লি পাংখ্রবা মতুংদা চান্নবা ফোঙদোরকখিবনি। ইন্দিয়ন হোম মিনিষ্টরনা ৱা ঙাঙবদা মিদিয়া কভরেজ য়াহনখিদবা মতুংদা ৱাশিংটনগী মায়কৈদগী দেপ্যুটি স্পোক্সপার্সননা ৱারোল অদু ফোঙদোকখিবনি।

শগোলশেন নুমীৎতা মিদিয়াগী ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা য়ু এসকী দেপ্যুটি স্পোক্সপার্সন মার্ক টোনরনা পাকিষ্টানদা অকনবা পাউজেল অমা পীখি। মহাক্না হায়খি, ‘পাকিষ্টান্না টেররিষ্টশিং টার্গেট তৌবদা খন্দোক খঞ্জিন তৌই অমসুং য়ুম্লোন্নরিবশিংদা অকিবা পোকহল্লিবশিংগী মথক্তা করিগুম্বা এক্সন অমত্তা লৌখৎতে। লৈবাক অসিনা মখোয়দা অকিবা পোকহনবশিংদা নত্তনা য়ুমথংনরিবশিংদা অকিবা পোকহনবশিংগী মথক্তসু এক্সন লৌখৎকদবনি।’ টেররিজমগী মায়োক্তা খন্দোক খঞ্জিন তৌদুনা থবক তৌবগী থৌওংবু টোনরনা ক্রিটিসাইজ তৌখি।

রাজনাথ সিংহনা ইস্লামাবাদকী মীফমদা শরুক য়াখিবগী মতাংদা হংবদা টোনরনা হায়খি, ‘কাউন্টর টেররিজমগী থবকশিংগা মরী লৈননা অসিগুম্বা মখলগী রিজনল দাইলোগ (সার্ক সম্মিট) পু ঐখোয়না পূক্নিং থৌগৎলি। ঐখোয়না ইন্দিয়া-পাকিষ্টান অনিমকপু লৈবাক অনীমক্তা লৈরিবা টেররিজম থেংনবদা অমগা অমগা নকশিন্ননা মতেং পাংনহন্নিংই। লৈবাক অনিমক্তা টেররিজম অসি থাঙ্গৈশেংনা লৈবা প্রোব্লেম অমনি। মসিবু মহৈ য়ান্না থেংনবদা লৈবাক অনীনা কোওপরেসন পীনবা চঙই।’

‘পাকিষ্টান্না লৈবাক অসিগী লৈহাওদা ওপরেট তৌরিবা টেররিষ্ট খুদিংমক থেংনবদা পায়খৎফম থোকপা থবক খুদিংমক পায়খৎকদবনি। পাকিষ্টান্না থবক তৌবদা প্রোগ্রেস খরদি উবা ফংলে, তৌইগুম্বসুং হেন্না প্রোগ্রেস লৈহনবা চঙই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

টোনরগী মতুংইন্না, তশেংনমক পাকিষ্টান্না হায়রিবা, লাউরিবা ৱাফম পুন্ন মক মনাদা হাপত্রিবগী মরমদি য়ামদ্রবা ইন্দিয়ানা পাম্বা টেররিষ্ট অহুম- দাৱুদ ইব্রাহিম, হাফীজ শয়ীদ অমসুং লকভি লোয়ননা অতৈশিং পাকিষ্টানদা লৈরি হায়না প্রুভ তৌখ্রে। তৌইগুম্বসুং ইস্লামাবাদনা মখোয়গী মথক্তা এক্সন অমত্তা লৌখৎতে।

# টেররিষ্টশিং তুম্না মাঙহনখিনবা নৱাজ শরিফনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা আপিল তৌখ্রে

কাইরো, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সী) ঃ

নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাকিষ্টানগী বেলোচিষ্টান প্রোভিন্সকী কেপিটেল ক্বেটাদা লৈবা সিভিল হোস্পিটালদা চত্থখিবা এটেক্তা শিখিবা মী মশিং য়ামদ্রবদা ৭০ সুখিবগা লোয়ননা এটেক অদু টালিবান অমসুং ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপ অনীমক্না ক্লেইম তৌখ্রে। হোস্পিটালদা চত্থখিবা শাথিরবা বোম্বিং এটেক অদুগী মতুংদা পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা টেররিষ্টশিংবু পুংতুম তুম্না লোইশিন্নবা আপিল তৌখ্রে। এটেক অদুদা মীওই ১০০ হেন্নসু শিখিবনি।



সুইসাইদ বোম্মর অদুনা অয়াম্বনা উকিলশিং অমসুং জর্নেলিষ্টশিং ওইবা মীওই ২০০ রোম্না হোস্পিটাল অদুদা পুন্দুনা লৈরিঙৈদা শাথিরবা এটেক্তু চত্থখিবনি। বেলোচিষ্টান বার এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট বিলাল অনৱার কাশিবু শকখঙদবশিংনা হাৎখ্রবা মতুংদা পোষ্ট মোর্টেমগীদমক্তা মহাক্কী হকচাংদু হোস্পিটালদুদা পুরকখিবনি। হোস্পিটাল অদুগী ইম্মরজেন্সি সেক্সন্দা উকিল য়াম্না পুন্দুনা লৈবা মতমদা জর্নেলিষ্ট কয়াসু লোয়নখি। ক্বেটাগী হোস্পিটালগী ব্লাষ্ট অদুদা শিখিবশিংগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎলদুনা পেশৱারদা মীয়াম্না কেন্দল থাওমৈ চুখৎনখি।

বেলোচিষ্টান বার এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট হাৎপা অমসুং হোস্পিটালদা চত্থখিবা এটেক অনীমক পাকিষ্টানি ফেক্সন জম্মাট-উল-অহররনা ক্লেইম তৌখ্রে। গ্রুপ অদুগী স্পোক্সমেন অমনা পাকিষ্টান্দা ইস্লামিক সিষ্টেম চৎনহন্দ্রিফাওবা মখা তানা এটেক কয়া চত্থখিবনি হায়না চেকশিন্না ফোঙদোকখ্রে।

মদুগী মতুং খরা কান্নরগা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপনসু ব্লাষ্ট অদু মখোয়গী খুৎনি হায়খ্রে। এটেক অদুদা মীওই ২০০ শিখি হায়না মখোয়না ক্লেইম তৌখ্রে হায়না এস আই টি ঈ মোনিটরিং এজেন্সিনা ফোঙদোকখি।

বোম দিস্পোজেল য়ুনিটকী চীফ অব্দুল রাজাকনা এ এফ বিদা হায়খি মদুদি, ব্লাষ্ট অদু সুইসাইদ এটেক অমনি। বোম্মর অদুনা মশাদা এক্সপ্লোসিভ কিলোগ্রাম নিপানগা লোয়ননা বোল রিয়ারিংশিং অমসুং য়োৎতেক, থাংতেক ময়াম য়োম য়োম্লগা এটেক অদু চত্থখিবনি।

প্রোভিন্সিয়েল হেল্‌থ দিপার্টমেন্টকী মকোক দোক্টর মাসুদ নৌশরৱানিনা অশিবা মীগী মশিং ৭০ য়ৌরে, অশোকপশিংগী মশিংনা ১১২ নি হায়না ফোঙদোকখি।

বোম অদু পোকখায়রকপা মতমদা এ এফ পিগী জর্নেলিষ্ট অমা ব্লাষ্টকী মফমদুদগী ফুট ৭০ (মিটর ২০) দমক লাপ্না লৈখি হায়রি।

য়ু এনগী সেক্রেটরি জেনরেল জান কি-মুননা এটেক অদুবু কন্দেম তৌখ্রে অমসুং মরু ওইনা হোস্পিটালদা অৱাবা ফোঙদোক্লিবা মীয়ামদা টার্গেট তৌবা হায়বসি য়াম্না ফত্তবা নিংবা কায়নিঙাইগী থৌওংনি হায়খ্রে।

করিগুম্বা মরম অমত্তনা অসিগুম্বা টেররিজমগী থবকশিংবু অচুম্বনি হায়বা য়ারোই হায়না য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননা ফোঙদোকখ্রে।

# ব্রজিলনা কোপাকোবেনাদা মিলিটরি দিপ্লোইমেন্টশিং হেনগৎহনখ্রে

রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ০৯ ঃ

ব্রাজিলিয়ন গভর্ণমেন্টনা ওলিম্পিক গেমস মনুংদা ফেনশিং পুল্লক্কদবা এরিয়াশিং অমসুং কোপাাকাবেনাদা মিলিটরি ক্রুপশিং দিপ্লোই তৌনবগী অয়াবা পীখ্রে।

কুমজা ২০১৬ কী গেমসগী সিক্যুরিটি প্লানশিংদা মিলিটরিনা শরুক য়াবা হেনগৎকদৌরিবসি রিজনেল গভর্ণমেন্টনা হায়জরকখিবদগীনি অমসুং ব্রাজিলগী এক্টিং প্রসিদেন্ট মিচেল টেমরনা থোকখিবা ওর্দর অমনা থৌরাংদুগী অয়াবা পীখি। প্রসিদেন্টগী ওর্দর অদু নিংথৌকাবা নুমিৎতা ওফিসল গেজেটকী অখন্নবা ইদিসন অমদা ফোঙখি হায়না ঈ এফ ঈ ন্যুজনা হায়রি।

এটলান্টিক এভেন্যু, কোপাকোবেনা বীচকী পরিংদা চেনবা লম্বী অমসুং রিওগী খ্বাইদগী মরু ওইবা দিষ্ট্রিক্টকী অতৈ এরিয়াশিংদা নত্তনা সান্তোস দমোন্ট এয়রপোর্টতসু সিক্যুরিটি কনখৎহল্লগনি। এয়রপোর্ট অসি নৌনা শেমদোক-শাদোক্লবা ফেসিলিটি অমা ওইবগা লোয়ননা সিটি অসিনা ওলেম্পিক গেমসগী হোষ্ট ওইবগী মরু ওইবা লিগেসিশিংগী মনুংদা অমা ওইরি ।

রিওগী গভর্ণর ফ্রান্সিস্কো দোর্নেলিজনা মীওই লিশিং লিশিং পুনগদৌরিবা মফমশিং অদুদা পুলিস ফোর্সশিংনা সিক্যুরিটি গরেন্টি তৌবগী মতীক চাদে হায়বসি খঙলবা মতুংদা মিলিটরি রিইনফোর্সমেন্টশিং দিমান্দ তৌখিবনি।

দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হায়খি, মিনিষ্ট্রিনা রিওদা অহেনবা লান্মীশিং থারোই তৌইগুম্বসু সিটি অদুগী সিক্যুরিটিগী ফীভম ফগৎহন্নবা হান্ননা থমখ্রবা আর্মি, নেভি অমসুং এয়র ফোর্সকী মেম্বর ২২,০০০ গী মনুংদগী খরা ওইনা নৌনা দিপ্লোই তৌগনি।

টেমরনা হৌখিবা চয়োলদা সাইন তৌখিবা অতোপ্পা ওর্দর অমনা রিও দি জানৈরোগী আইকোনিক সিম্বোল অনী ওইরিবা কোরকাভাদো হিল অমসুং সুগরলোফ হিলদা লৈরিবা খৃষ্ট দা রিদিম্মরগী মীতমগুম্বা অচৌবা টুরিষ্ট এট্রেক্সনশিংদা অহেনবা সিক্যুরিটিগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা ক্রুপশিং দিপ্লোই তৌনবগী অয়াবা পীখি। রিওগী সিক্যুরিটি প্লানশিংদা পুলিস, নেসনেল গার্দকী ক্রুপ অমসুং লান্মী ৮৮,০০০ দিপ্লোই তৌবা য়াওরি।



HL-B/3200/18/07-17/08

# EMPLOYMENT NEWS

## Join Indian Army Recruitment – NCC Special Entry Scheme (55 Vacancies) – Last Date 18 August 2016

Indian Army invites Application from married/unmarried Male and unmarried Female candidates and also from Wards of Battle Casualties of Army Personnel, for grant of Short Service Commission in the Indian Army under NCC Special Entry Scheme 41st Course – Apr 2017. Apply Online before 18 August 2016.

**Job Details For Indian Army :**
Post Name : NCC Special Entry Scheme 41st Course
No. of Vacancies : 55 Posts (Male – 50 Posts & Female – 05 Posts)

**Eligibility Criteria to join Indian army Recruitment :**
Educational Qualification :
For NCC ‘C’ Certificate Holders : Degree of a recognized University or equivalent with aggregate of minimum 50% marks taking into account marks of all the years/semesters and Should have served for minimum two academic years in the senior Division/Wing of NCC Should have obtained minimum of ‘B’ Grade in ‘C’ Certificate Exam of NCC.
For Ward of Battle Casualties of Army Personnel Only : Degree of a recognized University or equivalent with aggregate of minimum 50% marks taking into account marks of all the years/semesters.
Nationality : Indian
Age Limit : 19 to 25 years as on 01 Jan 2017 (born not earlier than 02 Jan 92 and not later than 01 Jan 98, both dates inclusive)
Job Location : All India
**How to Apply Indian Army Vacancy :**
Interested Candidates may apply online through the website www.joinindianarmy.nic.in from 21.07.2016 to 18.08.2016.

**For Ward of Battle Casualties of Army Personnel Only :** Applicants under category of Wards of Battle Casualties to send their completed applications direct to Directorate General of Recruiting/ Rtg-A, NCC Entry, AG’s Branch, IHQ of MoD (Army)’ West BlockIII, R.K. Puram, New Delhi-110066 alongwith all documents (less NCC ‘C’ Certificate) on or before 22.08.2016.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date For Submission Of Online Application : 21.07.2016
Last Date For Submission Of Online Application : 18.08.2016
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.davp.nic.in/WriteReadData/ADS/eng_10601_20_1617b.pdf
**Apply Online :**
**http://joinindianarmy.nic.in/Alpha/index.htm**

## Join Indian Army Recruitment – SSC (T)-48 Men and SSCW (T)-19 Women Course (170 Vacancies) – Last Date 24 August 2016

Indian Army invites Application from married/unmarried Male and unmarried Female Engineering Graduates for Grant of Short Service Commission into SSC(T)-48 Men and SSCW (T)-19 Women Course commencing in April 2017 at Officers Training Academy (OTA), Chennai, Tamil Nadu. Apply Online before 24 August 2016.

**Job Details For Indian Army :**
Post Name : SSC(T)-48 Men and SSCW (T)-19 Course
No. of Vacancies : 170 (Men – 150 Posts & Female – 20 Posts)

**Engineering Streams wise Vacancies :**
Civil : Men – 36 Posts & Female – 06 Posts
Mechanical : Men – 10 Posts & Female – 05 Posts

**Electrical/Electrical & Electronics :**
Men – 16 Posts & Female – 05 Posts

Aeronautical/Aviation/Aerosp ace/Ballistics/Avionics :
Men – 10 Posts

Computer Sc & Engg/Computer Technology/Info Tech/M.Sc (Computer Sc) : Men – 23 Posts

Electronics & Telecommunication/Telecom munication/ Electronics & Communication/ Satellite Communication :
Men – 22 Posts & Female – 04 Posts

Electronics /Opto Electronics/Fibre Optics/Micro Electronics & Microwave : Men – 11 Posts

Industrial : Men – 01 Post

Automobile /Workshop Technology : Men – 02 Posts

Metallurgical : Men – 02 Posts

Electronics & Instrumentation/Instrumentation : Men – 02 Posts

Architecture/Building construction Technology : Men – 03 Posts
Food Tech/Bio Tech/Bio Medical Engg : Men – 02 Posts
Chemical Engg : Men – 02 Posts
Production Engg : Men – 04 Posts
Remote Sensing : Men – 02 Posts
Transportation Engg : Men – 01 Post
Laser Tech : Men – 01 Post

**Eligibility Criteria to join Indian army Recruitment :**
Educational Qualification : Candidates who have passed Engineering Degree or are studying in the final year examination of Engineering course are eligible to apply and should also be from recognized College/University of India.
Nationality : Indian
Age Limit : 20 to 27 years as on 01 Apr 2017. (Candidates born between 02 Apr 90 and 01 Apr 97) (Both dates inclusive)
Job Location : All India

**How to Apply Indian Army Vacancy :**
Interested Candidates may apply online through the website www.joinindianarmy.nic.in from 27.07.2016 to 24.08.2016.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date For Submission Of Online Application : 27.07.2016
Last Date For Submission Of Online Application : 24.08.2016

**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.davp.nic.in/WriteReadData/ADS/eng_10601_21_1617b.pdf
Detail Advertisement & Application Form Link : http://164.100.47.132/JRCell/Module/Notice/216Security%20Assistant.pdf